# থাইলেন্দ গভর্নমেন্টনা বেঙ্কোকতা ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে

*বেঙ্কোক, জনুৱারি ২১ঃ* থাইলেন্দদা হৌজিক ওইরিবা লৈঙাক্কী লৈতাদবা ফিভম অমদি গভর্নমেন্টপু য়ানিংদবশিংগী ঈহৌগী য়েংদুনা বেঙ্কোক অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা প্রোভিন্সশিংদা নুমিৎ ৬০ নিগী ওইনা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রে হায়বগা লোয়নননা মসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী চৎনগনি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবা অসিনা লৈবাক অদুদা কাং–খোঙ চাইহল্লিবা ফিভম পুন্নমক লাকশিনবদা গভর্নমেন্টতা পাক চাওনা শক্তি পীগদৌরি। গভর্নমেন্টপু য়াদবা ৱাকৎলোইশিংনা বেঙ্কোক্কী মফম কয়ামরুম থৎচিন্দুনা প্রাইম মিনিষ্টরবু নমদুনা মফম থাদোকহন্নবা ঈহৌ চংশিল্লিবনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর অসিনদি ফম থাদোকউ য়াদবগা লোয়নননা মথং থা ফেব্রুৱারী ২ দা ৱাকৎলোইশিংগী পুক্নিং ফাবা ঙম্নবা মীখল পাওথোক্কনি হায়না লাউথোকখিবনি।

ঙসি পাওথোকপা কেবিনেটকী মিটিং অমনা ৱারেপ লৌরবা মতুংদা ইমর্জেন্সি লাউথোরক্লিবা অসি গভর্নমেন্টপু য়াদবা ৱাকৎলোইশিংগী মথক্তা পোকখাইবা য়াবা খুৎলায়শিং অমদি নোংমৈ শীজিন্নদুনা এটেক তৌরকখিবা থৌদোক খরগী মতুংদা লাউথোরকপনি।

হৌখিবা নোংমাইজিংদা ৱাকৎ ঈহৌ চংশিনফম কয়ামরুমগী মরক্তা মফম অমদা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিল্লকপদা ৱাকৎলোই ২৮ শোকখিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ওইরিবা ফিভম অসি লাকশিন্নবা অদুগা নমদুনা আইন চৎনহনবা য়ানবা কেবিনেটনা ইমর্জেন্সি লাউথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না দিপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর সুরাপোং টৌভিচাকচাইকুলনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা ইমর্জেন্সিগী ৱারোলশিংনা গভর্নমেন্টপু মেদিয়াগী মথক্তা সেন্সর তৌবা ঙমহনবা, মীয়াম পুনবা থিংবা অমদি চিংনবা মীওইশিং চার্জ তৌদনা ফাবা ঙমহনগনি।

বেঙ্কোক অমদি ইমর্জেন্সি লৈবা মফমশিংদা লিমিটকী ৱাংমদা কর্ফিয়ু থমজিনবসু ঙমহনগনি। চয়োল খরগী মমাংদগী গভর্নমেন্টনা ইমর্জেন্সি লাউথোকপগী ৱাফম অসি খন্নদুনা লাকপনি। অদুবু লাউথোক্লবা মতুংদা থবক ওইনা গভর্নমেন্টকী খুৎতা ফংবা শক্তি কদাই ফাওবা শীজিন্নরক্কনি হায়বদি তাংদাংবা খঙবা ঙমদ্রি হায়না পাউগী লিখুন অমনা ফোঙদোরকখ্রে।

অমরোমদা ইমর্জেন্সি রুল অসিদি পুলিস অমদি আর্মিনা থবক ওইনা চথ্খগদবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ৱাকৎলোইশিংগা করিগুম্বা ফিভম অমত্তদা মুক্নদনবা পুলিসতা খঙহন্দুনা থল্লি। অদুগা মিলিটরি কম্মান্দরশিংনসু গভর্নমেন্ট অমদি গভর্নমেন্টপু য়াদবশিংগী মরক্তা মুক্নরিবা অসিদা লান্মীবু চিংশিনখিবা পামদে হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈরি।

লেবর মিনিষ্টর চালেম য়ুবামরুংনা ইমর্জেন্সি অসি থবক ওইনা ওন্থোক্লবা য়েংশিনগনি হায়বগা লোয়নননা থাইলেন্দনা ইমর্জেন্সি মনুংদা মালেমগী চৎন–পথাপ পুন্নমক ইনগনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

মানা হায়খিবদা ঐখোয়না নম্ফু শীজিন্নরোই। ৱাকৎলোইশিংবু তানখাইবগী থৌশিল লৈতে। অদুগা ঐখোয়না হৌজিক ফাওবদা করফিয়ু লাউথোকপসু লৈত্রি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

নেস্নেল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী চিফ পরাদোর্ন পটানটাবুটনা হায়খিবদা ৱাকৎ ঈহৌশিং অসিবু শেন্ননবা পুলিস অমদি আর্মি মতিক চানা দিপ্লোই তৌখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পুথোক্লিবা অসি ৱাকৎ খোঙচৎশিং থিংবখক্তদা চৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# সিরিয়াদা মীওৎ–মীনৈ পাক শন্না চথখি



*দমাস্কস, জনুৱারি ২১ঃ* সিরিয়াদা মীয়ামগী ঈহৌ হেক হৌরকপা মতুংদগী হৌজিক ফাওবা থৌরাং অমা য়াওনা দিটেনি ১১,০০০ বু ওৎ–নৈবা অমদি হাৎপা–তুপ্পা চথখি হায়বগী তশেং–তশেংবা খুদম লৈরে হায়না হান্নগী ৱার ক্রাইম প্রোজিক্যুটর অহুমগী রিপোর্ট অমদা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

দিফেক্টর অমনা লোন্না পুথোরকপা হাৎলবা ফাদোকশিংগী ফোটো লিশিং খরা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা কুপ্না য়েংশিনখি হায়রি। রিপোর্ট অদুদা হায়বগী মতুংইন্না মীওৎ মীনৈ অমদি মীহাৎ মীপুনশিংদা গভর্নমেন্টসু য়াওই হায়বগী খুদম লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু মীয়ামগী মথক্তা কা হেনবা থবক থৌওংশিং চথখি হায়বসি দমাস্কসনদি হৌজিক ফাওবদা য়াদ্রি। ওইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা লৈতাবা ফিভম হঙ্জিল্লকপা য়ানবা পান্দমদা স্বিটজর্লেন্দদা শান্তিগী ৱারী শাবা হৌগদবা নোংমা মাঙজৌননা রিপোর্ট অসি থোক্লকখিবনি।

হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিং অমদি মালেমগী ওইবা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা খোজিল্লকপা রিপোর্টশিং অমদি খুদমশিং অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে হায়বগা লোয়নননা সিরিয়া গভর্নমেন্টকী দিটেন্সন সেন্টরশিংদা থৌরাং অমা ওইনা ফাজিল্লিবা মীয়াম্বু ওৎ–নৈবা অমদি হাৎপা চথখি হায়নসু রিপোর্টশিং অদুদা ফোঙদোরকখিবনি।

অদুবু খ্বাইদগী নৌনা থোক্লকপা রিপোর্ট অমনদি গভর্নমেন্টকী মথক্তা শীরিবা মরাল অসি তোপ–তোপ্পা শক্তম অমদা উখোরক্লে।

মরুওইনা দোক্যুমেন্টেসনশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা তু চুংবা য়াবা ফিভমদা মীবু হাৎখিবগী চপ চাবা ৱারোলশিং অমদি হাৎপগী থৌওংশিং অদু পল্লকখি।

হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা খোমজিঙ্জবা ঙম্বা রেকোর্দশিংদগী য়াম্না হেনবা মশিং অমদি হাৎপগী ফিভমশিং খঙবা ঙম্লে হায়রি।

সিরিয়াগী নত্তবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লিবদা মীওই লিশিং কয়ামরুম ৱারী লিখুন অমত্তা ফংদনা মাঙখ্রে হায়নসু রিপোর্ট অদুদা পল্লকখি। ফোটোগ্রাফ ৫৫,০০০ দা দোক্যুমেন্টেসন তৌহৌরবা ভিক্টিমশিংগী মশিং খক্তদা ১১,০০০ য়ৌই। অদুবু মসিদি খজিক্তনি হায়নসু থম্বগা লোয়নননা মশিং অসি মফম অমখক্কীনি হায়রি।

# য়ুক্রেনগী ইরাং লাকশিনবা ৱাগদৌরিঃ লাভরোব



*মোস্কো, জনুৱারি ২১ঃ* রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গে লাভরোবনা হায়খিবদা, য়ুক্রেনদা হৌজিক চংশিল্লিবা ৱাকৎ ঈহৌ অসি লাকশিনবা য়ারক্লোইদবগী ফিভমদা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ৱাকৎপশিংগা পুলিসকা মুক্নরিবা ফিভম অসি নুংশা থিনিঙাই ওইরে হায়বগা লোয়নননা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী পোলিটিসিয়ানশিংনা ফিভম অসি ওইহল্লক্নবা শিনবনি হায়নসু হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

অমরোমদা কিয়েবতা থংন–থংননা খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং চথরকপা নুমিৎ নিনি শুজিনখ্রে। নহা ওইরবা ৱাকৎলোইশিংনা মৈকাপ্পী অমদি পেট্রোল বোমশিং পুলিসকী মায়োকৈদা লংশিল্লি। অদুগা পুলিসশিংনসু অফং–অফংবা প্রোটেষ্টরশিং তমথিনা ফুই হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

রুসেবস্কী ষ্ট্রিটকী অকোইবদা লৈবা অপিকপা মফম অমদা হনবা লৈতনা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং থোক্লি হায়নসু লিখুন খরনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভিক্টর য়ানুকোভিষ্টনা হৌজিক ওইরিবা ভাইওলেন্সনা থল্লবা ফিভম অসিনা লৈবাক অসিগী তংদু লৈতাবদা চাওনা অকিবা পীরে হায়খিবগী হেক মতুংদা লাভরোবনা ঈহৌ অসি লাকশিনবা ঙম্লোইদবগী ফিভমদা লাক্লে হায়না ফোঙদোরকপনি।

য়ুক্রেনগী পার্লিয়ামেন্টনা মমাংগী চয়োলদা তহা–তহানা লাউথোকখিবা অনৌবা এন্টি প্রোটেষ্ট লো অদুসু হয়েংদগী চৎনবা হৌগদৌরি। চৈরক অসিদা ৱাকৎলোইশিংনা কিয়েবতা কেম্প কয়ামরুম লিংবসু হনবা লৈত্রি। ৱাফম অমনা য়ুরোপিয়ান গভর্নমেন্ট কয়ামরুমগী মেম্বরশিং ইনভাইটেসন অমত্তা ফংদনা মফম অদুদা চংশিনখ্রে। অদুগা য়ুক্রেনদা চথরিবা এন্টি গভর্নমেন্ট দেমোন্সত্রেসনশিংদা শরুক য়াশিল্লে হায়নসু লাভরোবনা ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু মহাক্না অকক্নবা মমিংদি পনখিদে। নিংশিংবা য়াবদি য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী ফোরেন পোলিসি চিফ ওইরিবা কেঠেরিন এষ্টন অমদি মতম অমগী জর্মনগী ফোরেন মিনিষ্টর ওইরম্বা খ্বিদো ৱেষ্টর ৱেলনা মমাংগী দিসেম্বরদা ৱাকৎলোইশিংগা উন্নখিবনি।

লাভরোবনা মখা তারদুনা হায়খিবদা লৈবাক্কী ফিভম অসি লাকশিনবা য়ারোইদবগী ফিভমদা লাক্লি। অদুগা মসি মপাল লমশিংদগী ইথিল চংলকপনি হায়বগী পাউসু ঐখোয়না ফংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মাইক্রোসোফনা হেক্কিংগী খুদোংচাদবা হেন্না মায়োক্নগদৌরি

*নিউয়োর্ক, জনুৱারি ২১ঃ* মাইক্রোসোফকী ত্বিটর একাউন্ট অনি অমদি ব্লোগ অমা হেক্কীং তৌখিবগী হেক মতুংদা সিরিয়ানা ইলেক্ট্রোনিক আর্মিনা অতোপ্পা ব্লোগ অমসু হেক্কীং তৌখ্রে হায়রি।

হেক্করশিংনা মখোয়গী ত্বিটর ফিদতা স্ক্রিন সোট অমা থাদোক্তুনা মখোয়গী থৌওং অদু উখোকখিবগী মতুংদা মাইক্রোসোফকী ওফিস ব্লোগ অদু নৌনা অমুক দিজাইন হেক শেমদোকপগা মদুবু হেক্করশিংনা অমুক টার্গেট তৌরকখিবনি।

মমাংগী এটেকশিংদা সিরিয়ান গভর্নমেন্টপু শৌগৎপা মেসেজশিং থাগৎনবা অদুগা ফার্ম অসিবু হুন্দুনা ঙাংবশিং ফোঙদোক্নবা থৌওংদা চথখিবনি। খ্বাইদগী নৌবা এটেক অসিগী মতাংদদি মাইক্রোসোফনা করিমত্তা ফোঙদোক্ত্রি।

সিরিয়ান ইলেক্ট্রোনিক আর্মিনা মাইক্রোসোফতা মখা তানা অতৈ এটেকশিং চথরকপা য়ারি হায়নসু চেকশিন–ৱা পীখ্রে। 'সিরিয়ান ইলেক্ট্রোনিক আর্মিনা হেক্কীং তৌরবা' হায়না থাবা আর্টিকল কয়ামরুম মাইক্রোসোফকী সাইটতা থোক্লকখি। অদুগা অমুক লৌথোকখি হায়না টেক নিউজ সাইটকী পাউ অমনা ফোঙদোকখি।

এটেক অসিগী মতুংদা এস ই এনা মাইক্রোস্কোপতা এদ্রেস তৌবা ত্বিট অমদা হায়খিবগী মতুংইন্না কন্টেন্ট মেনেজমেন্ট সিষ্টেম হোংদোকপনা করিমতা কান্নরোই। মরমদি নখোয়গী এমপ্লোয়িশিংনা মসিগী মরমদা খঙবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরকখি।

হেক্কর গ্রুপ অসিনা মমাংদসু অসিগুম্বা এটেকশিং হেন্না থোক্লকপা য়াই হায়না ৱার্নিং পীনবা ত্বিটর শীজিন্নখি। মাইক্রোসোফতা ঐখোয়গী এটেক লোইদ্রি। অহেনবা এটেকশিংগী শেম শাদুনা লৈয়ু হায়না হেক্করশিংনা ফোঙদোরকখি।

মসিগী মতুংদা কম্পেনিনা চৈথেং নংলবা একাউন্টশিং সদ–দাউন তৌখি। মতম অদুদা থোকপা চেরোল অমদা কম্পেনি অসিনা হায়খিবদা কষ্টমর ইনফোর্মেসন অমত্তা কম্প্রোমাইজ তৌবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

এস ই এনা তৌরিবসি অদুক থাক ৱাংবা থৌওং নত্তে। অদুবু মসি চৎনবদি য়াবা মরমনা মীয়ামনা মীশিং নাশিংবা মথৌ তাই হায়না গ্রাহম ক্লুলি হায়বা সিক্যুরিটি এনালিষ্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌওং অসিনা মরম ওইদুনা মীয়ামনা মাইক্রোসোফ ৱায়ার লৈনরক্লোইদবা মরমনা মসি মাইক্রোসোফকীদমক্তদি নুংঙাইতবা অমা ওইগদৌরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# হান্নগী য়ু এস অফগান কম্মান্দরনা লৈবাক অসিদা সিভিল ৱারগী ৱার্নিং পীখ্রে



*ৱাশিংটন, জনুৱারী ২১ঃ* আফগানিষ্টানদা লৈরিবা মীরৈবাক্কী লান্মীশিংনা লৈবাক অদু হেক থাদোকপগা খ্বাইদগী ওইথোকপা য়াবদি সিভিল ৱারনি হায়না অমেরিকাগী জেনরেল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইং ২০০৯ জুন্দগী ২০১০ জুন ফাওবা আফগানিষ্টানদা নাটো ত্রুপশিংবু লুচিংখিবা অমেরিকাগী জেনরেল মক কৃষ্টেলনা হায়বদা নোংচুপ লৈবাকশিংনা হৌজিকসু আফগানিষ্টানদা ইরাং থোকহন্দনবা পুক্নিং লেপ্পা লৈরি হায়বদু চহি অসি লোইরবা মতুংদসু উৎপা মথৌ তারি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি জেনরেল অসি য়ু এসকী ওফিসিয়েলশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লম্লবা মতুংদা আফগান কম্মান্দদগী রিজাইন তৌখিবনি।

থবক্তগী পোত্থারবা জেনরেল অসিবু বি বি সি না ইন্টরভিয়ু অমা লৌবদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা টালিবানননা আফগানিষ্টান পুন্নমক পায়শিনবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈ হায়না খন্দে। মরম অসিনা লৈবাক অসিদা ওইরকপা য়াবা খ্বাইদগী শাথিবা ফিভমদি তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংনা লৈঙাক শক্তি পায়শিন্নবা মুন্নরকপদা সিভিল ৱার অমা থোক্লকপা য়াবা অসিনি হায়না ফোঙদোকখি।

মদু আফগান মচাশিংগী পুক্নিংদা মখোয়না মমাংদা ইং ১৯৮৯ দা হকথেংনখিবা ফিভম অদুমক অমুক শোইদনা হল্লক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুমকপু টালিবাননা লৈবাক অসিদা চংশিল্লক্লগা আফগানিষ্টান পুম্বা পায়শিনখিবগী পাঙ্গলদি লৈতে খল্লি। ফিভম অদুমক তাহন্দনবা লৈবাক অসিদা মতিক চাবা মঙম অমদি লিপুন লৈজৈ খল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ু এসনা লুচিংদুনা ইং ২০০১ দা নাতো মিসনগী শরুক অমা ওইনা চংশিনখিবা লাঞ্জং অদুনা অলকাইদানচিংবা টেরর গ্রুপশিংগী খুদোংচাবা অমা পীদুনা আফগানিষ্টানদা মখোয়গী খোঙফম শেম্বা ঙমখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুবু হৌজিক্তি মতমদুদা ওইখিবা ফিভমদগী য়াম্নমক ফগৎলে। লৈবাক অমনা মশাগী তংদু লৈতাবা ফিভম ঙাকচবগী মঙম অসি সিক্যুরিটি ফোর্সকী মশিংদসু খরা লৈ। অদুগা লৈবাক অদুগী মীয়াম মরক্তা অমনা অমবু থাজনবা অদুগা খুন্নাইবু শাগৎলিবা চৎনরোলশিং অদুদসু মরুওইনা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগী মতাংদদি ঐঙোন্দা আফগানিষ্টানগী ওইনা থোইদোক্না নুংনাংবা ফাওই। আফগানিষ্টানগী মীয়ামনা মশানা মশাদা থাজবা হন্থরক্লে। আর্মিদা নত্রগা পুলিসতা চংনিংবা ফাওনদ্রে। লোকেল গভর্নমেন্টপু শৌগৎনিংবসু লৈত্রে। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী খুদোংথিনিঙাই ওইবা হায়ববু মসিনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# খা সুদানগী প্রসিদেন্টনা য়ু এন চৈখ্রে



*বোর, জনুৱারি ২১ঃ* খা সুদানদা থোক্লিবা হাৎন–শুনবা অসিদগী মীয়াম্বু ঙাক্নবা লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এন পিছকিপ্পিং মিসননা লৈবাক অদুদা পেরেলেল গভর্নমেন্ট অমগুম থবক তৌরে হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট সলভা কিয়ারনা ফোঙদোকখ্রে।

গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লৈরিবা লালহৌবশিংনা য়ু এন কেম্পশিংদা মশা অমদি খুৎলায়শিং লোৎহল্লি হায়নসু মহাক্না য়ু এনবু মরাল শীখি।

পনবা য়াবদি খা–সুদান শিনবা থুংনা থল্লিবা য়ু এন বেজশিংদা মীচম ৭০,০০০ রোম চংজফম লৌদুনা লৈরিবনি। য়ু এননা হায়বদদি গভর্নমেন্ট লান্মীশিং অমদি লালহৌবশিংনা মালেমগী কা হেন্না লাইরবা লৈবাক অসিদা অমনা অমগী মথক্তা কা হেনবা থৌওংশিং চখনরি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অহানবদদি কিয়ার অমসুং মহাক্কী হান্নগী দিপ্যুটি রিয়েক্ট মচার অনিগী মরক্তা পোলিটিক্সকী ওইবা মুক্নবা অমা ওইরম্বদগী লৈবাক শিনবা থুংনা হাৎন–শুনবগী থৌওং অমা ওল্লকখিবনি। বি বি সিগী মার্ক লোৱেননা হায়বদা বোরদা লৈবা হোস্পিটাল অমদদি লালহৌবশিংনা অনাবশিংবু ফমুংদা কাপ্তুনা হাৎলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা মীওই লাক্ষ ৫ হেন্না ময়ুম মকৈ লৈত্রে। অদুগা য়ু এননা পাবা খুজিং অমদা মীওই লিশিং অমা হেন্না হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মরকসিদা য়ু এননা খা সুদানদা অহেনবা পিছকিপ্পর ৫,৫০০ সু থাজিন্নবা থৌরাং তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি মতম অমদা অপুনবা মীকোক লিশিং ২৫ খক লৈদুনা ললোন ইতিক ফজনা চথরম্বা লৈবাক অসি হৌজিক্তি কাং–খোং চাইরবা মীহাৎপুং ওল্লে হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

সুদান লান্মীনা হায়বদা মখোয়না লালহৌবশিংগী মখুৎতগী বোর টাউন মুল্লবা মতুংদা য়াম্না কন্না খুৎ থোক্নরগা মালাকান হায়বা মরুওইবা টাউন অমসু অমুক হন্না লৌশিনবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন পিছকিপ্পিং মিসনগা খা সুদানগী গভর্নমেন্টকা মুক্নবা অমা লাক্লিবা অসিদি হৌখিবা নোংমাইজিংদা ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর অমনা বোরদা লৈবা য়ু এন বেজ অমদা খুৎলায় পায়বা লালহৌবা অমা লোৎখি হায়না চিংনবদগী নমদুনা চংবা হোৎনরুবদগী থোক্লকখিবনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# সিরিয়াগী ৱারীদা য়ু এননা ইরানবু য়াওহনখিদ্রে

*য়ু এন, জনুৱারি ২১ঃ* চয়োল অসিদা চথ্খগদবা সিরিয়াগী শান্তিগী ৱারী শরুক য়ানবা ইরানদা পীখিবা ইনভাইটেসন য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বানকিমুননা অমুক লৌথোকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং ইরান গভর্নমেন্টনা থাদোরকখিবা ৱারোল অদু শাথিনা নিংবা কায়নিঙাইহনি হায়নসু সেক্রেটরি জেনরেল অসিনা ফোঙদোরক্লি হায়রি।

বানকিমুনগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খিবদা ইনভাইটেসন পীখিবা মতুং পুং ২৪ ফাবাত্তনা মদুবু অমুক লৌথোকখিবা অসিনা য়ু এস অমদি অতোপ্পা লৈবাক খরদা অঙকপা পোকহনখ্রে হায়রি।

ইরানগী য়ু এন এম্বাসেদরনা ইস্লামিক রিপব্লিক অসি সিরিয়াগী শান্তিগী ৱারীদা য়াওরোই হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং ইকান কান্নদনা বানকিমুননা ইনভাইটেসন অদু অমুক লৌথোকখিবনি।

মহাক্কী ৱাঙাংলোই মার্টিন নাসিরকিনা হায়বদা ইরানগী সেনিয়ার ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা মহাক্কী ইনভাইটেসনগী ৱাফমশিং অদু ইরাননা চপ চানা খঙই হায়না ফোঙদোকখি হায়রি। সেক্রেটরি জেনরেল অসি ইরানগী ৱারোল অদুনা শাথিনা নিংবা কায়হল্লে হায়নসু ৱাঙাংলোই অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নোংমাইজিংগী অহিংদা মোন্ত্রুদা পাঙথোক্কদৌরিবা শান্তিগী ৱারী অসিদা ইরানবুসু শরুক য়াহন্নবা ইনভাইটেসন পীখ্রে হায়না বানকিমুননা লাউথোকখিবদা নোংচুপ লৈবাকশিংনা শৌগৎপা সিরিয়াগী মেইন ওপোজিসন গ্রুপনা শাউনিংবা ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

# পোলিও ৱার্কর ৩ হাৎখ্রে

*কারাচি, জনুৱারি ২১ঃ* পাকিষ্টানগী খা থংবদা লৈবা কারাচি সিটিদা ওঠোরিটিশিংনা পোলিও লায়না ঙাকথোক্নবা অনৌবা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অমা হেক হৌবা মতুং নোংম–কোনবদা পোলিও ৱার্কর অহুম নোংমৈ পায়বশিংনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

কায়ুম্বাৎ এরিয়াদা নোংমৈ পায়বশিং অদুনা ৱার্করশিংদা নোংমৈ কাপশিনবদা পোলিও দ্রোপ পীথকপগী থবক চথরিবা নুপা অমগা নুপী অনিগা হাৎখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিদা পোলিও মুখৎনবা কন্না হোৎনরিবা ৱার্করশিংদা চথখিবা এটেক পরিং অমদা ঙসিগী থৌদোক অসিনা খ্বাইদগী নৌবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেইম তৌরকপসু লৈত্রি। অদুবু পোলিও মুখৎনবা থৌরাং অসি টালিবানশিংনদি কন্না য়াদবনি।

# পাক জেটশিংনা ৱাজিরিষ্টানদা বোম কাপথখ্রে

*ৱাৱলপিন্দি, জনুৱারী ২১ঃ* পাক সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা শাথিবা এটেকশিং মথং–মথং চথরকখ্রবা মতুংদা পাকিষ্টানগী মিলিটরি এয়ার ক্রাফটশিংনা অৱাং থংবা ৱাজিরিষ্টানদা লৈবা টালিবানগী লৈফমনি হায়না চিংনবা মফমশিংদা বোম কাপথখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মিলিটরি ওফিসিয়েল অমনা হায়বগী মতুংইন্না আফগানিষ্টানগা তাইনবদা লৈবা ত্রাইবেল এরিয়াশিংদা এয়ার ষ্ট্রাইক চথ্দুনা মিলিটেন্ট ২৫ হাৎপা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিংদসু আর্মি কনভোই অমদা চথরকপা এন্থুস অমদা য়ামদ্রবদা লান্মী ২০ শিখিবনি। পাকিষ্টান টালিবাননা মসিগী লুচিংবা হকিমুল্লাহ মেহসুদপু য়ু এস না হাৎখিবগী মতুংদা হেন্না কনবা এটেকশিংক চথনবা ৱাশকখিবনি।

ঙসিগী এয়ার ষ্ট্রাইক অদু ওফিসিয়েল অমনা হায়বগী মতুংইন্না লোকেল টাইমদা নোংয়াই মতুং পুঙ্খাই চৎপদগী হৌখি হায়না ফোঙদোকই। মদুদা হেল্লিকোপ্টর গনসিপশিংসু শরুক য়াখি হায়নসু ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখি।

এটেক অসি পাকিষ্টান লান্মীনা অৱাং থংবা ৱাজিরিষ্টানগী মিলিটেন্ট টার্গেটশিংদা আর্টিল্লারি ফয়ার কাপশিনখিবগী হেক মতুংদা চথখিবনি হায়রি।




অইবা অমসুং অয়েকপা নোংলান

## SANALEIBAK SUDOKU

Prepared by : ROGER -A

SANALEIBAK SUDOKU-131

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 1 | 7 | | | 6 | | | 2 |
| | | | | 1 | | | | 8 |
| | | | 5 | 7 | | | | 6 |
| 2 | | | | | | | | |
| | | 5 | | | | | | |
| | | 3 | | | | 9 | 2 | 1 |
| | 4 | | 8 | 5 | | | 7 | |
| 6 | | | | | 4 | | | |
| | | | | 9 | | | | |

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 9 | 5 | 4 | 6 | 3 | 8 | 7 |
| 5 | 6 | 8 | 3 | 2 | 7 | 4 | 9 | 1 |
| 4 | 3 | 7 | 9 | 8 | 1 | 6 | 2 | 5 |
| 9 | 1 | 5 | 8 | 6 | 3 | 2 | 7 | 4 |
| 2 | 7 | 3 | 4 | 1 | 5 | 8 | 6 | 9 |
| 6 | 8 | 4 | 2 | 7 | 9 | 5 | 1 | 3 |
| 3 | 9 | 6 | 1 | 5 | 2 | 7 | 4 | 8 |
| 7 | 4 | 1 | 6 | 3 | 8 | 9 | 5 | 2 |
| 8 | 5 | 2 | 7 | 9 | 4 | 1 | 3 | 6 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*